# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-06-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্পুনা চত্থরি। ঙরাং কাংপোকপী জিলা অমদি নোনে জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চিংদগী মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, ফোর এম.এম. পিষ্টোল অমা, আই.ই.দি. অনি, টিয়ার স্মোগ সেল অমা, টুয়েল্ব বোর ইল্যুমেনেসন রাউন্দ অনি, টু ইঞ্চ মোটার অমা, ট্যুব লোঞ্চর ৰান (এ) ১৪, সি.এম.জি. বয়োনেট অমা য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ঙরাং ফাগৎখি।

নোনে জিলাগী নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তমলোগতগী মেগজিন য়াওবা করবাইন মেছিনগন অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, মেগজিন য়াওবা ৩২ এম.এম. পিষ্টোল অহুম, রিভোলবর অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, আই.ই.দি. মচাকশিং, ভিনটেজ গ্রেনেদ বেজ আই.ই.দি. অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী ঙমখৈ সহর মোরেদগী মীওই অমা য়াল্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফারে। মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা দালপতি রোডকী শিব মন্দির মনাক্তগী মীওই অমদগী পেকেড ৬০ হাপ্পুনা পুরকপা ব্রাউন্দ সুগর ফারে। মঙোন্দগী পেক্কিং পাইপ পেকেট লিশিং অনি, জেমস্তোন পিস ১৫, ডব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট য়াওবা পেকেড ৪৭ অমদি শেল ওইনা লুপা লাখ অহুম মখায় য়াওনা য়াল্লবা দ্রগ অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি।

চুরচান্দপুর জিলাগী খুমুজাম্বা এরিয়াদা কৈথেল ফন্বা মীওইশিং পুনশিন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিস টিম অমা মফম অদুদা চংশিনদুনা মীয়াম তকথোকখি। মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-হৌজিমক্কী ওইনা মফম অদুদা লৈরম্বা মীপুম খুদিংমক তকথোকপগা লোয়ননা মীওই ২৪ ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাখি। অদুমওইনমক, মখোয়শিং অদু পি.আর. বোর্ন পীরবা মতুংদা থাদোকখি। খুমুজাম্বা এরিয়াদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অখন্নবা পুলিস টিম অমা থমলে। পুলিস টিম অসিনা মফম অদুদা আইননা য়াদবা থবকশিং অমদি লম খোপচিল্লকপশিং সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না তকখায়নবা হোৎনগনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী তাউবমদা লৈবা ইরং তুরেলগী মথক্তা শাবা আর.সি.সি. ব্রিজদা হৌজিক মাল পুবা অচৌবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা হৌরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-তাউবম ভিলেজগী ওথোরিতিশিংগা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা য়ান্নবা পুরক্লবা মতুং থোং অসিদা চৎথোক চৎশিনগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। পনবা য়াবদি, ঈচাউনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৮ দা ইরং বেল্লি ব্রিজ তেক্কুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীখিবনি।

**তোবেকো (এল)ঃ** ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নদবা সমাজ অমা ওইহন্নবগী পান দমদা ভারতকী লান্মীনা উখ্রুল জিলাগী লিতানদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি হিলস ফ্লৱার স্কুলদা নো-তোবেকো ডেগা মরী লৈননা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ১২০ গা লোয়ননা খুল অসিদা লৈবা মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নবনা মীওইবা অমসুং সমাজ

অসিদা পীরিবা চৈথেং হায়বগী মতাংদা লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকপগা লোয়ননা অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং মহৈরোইশিংদসু লেমা লায়েংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙরাং ৱার্ল্ড মিল্ক ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর মিল্ক প্রদ্যুসর কোওপরেটিব য়ুনিয়ন লিমিটৈদ-পোরোম্পাৎনা শিনদুনা ঙরাং সেন্ত্রেল দাইরি প্লান পোরোম্পাৎতা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

**মীখল ঃ** লোক সভা মীখলগী ঙরাং ভোট থাদনখিবা তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬২.৩৬ ওইখি।

রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অমগী লোক সভা সিট ৫৭ কীদমক ঙরাং থৌদোক মচা মচা থোকপা নত্তনা শান্তি ওইনা লোয়শিনখি।

বিহারদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫১.৯২ ওইখি। চান্দিগরদনা চাদা ৬৭.৯০, হিমাচল প্রদেসতা চাদা ৭০.০৫, ঝরখন্দদা চাদা ৭০.৬৬, উরিষ্যাদা চাদা ৭০.৬৭, পঞ্জাবতা ৬১.৩২, উত্তর প্রদেসতা চাদা ৫৫.৫৯ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা চাদা ৭৩.৭৯ থাদখি। মসিগা লোয়ননা বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি য়াওনা মীরেপ ৯০৪ গী মরাইবক স্ত্রোং রুমশিংদা চাজ্ম নমদুনা থমখ্রে।

মরক অসিদা, লোক সভা সিট ৫৪৩ গী ভোট লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থিরগনি। মসিগীদমক শেম শাবা লোয়রে। ভোট অয়ুক পুং ৮ দগী মশিং থিবা হৌগনি। জ্ন মরিদগী মীরেপ লিশিং ৮,৩৮৪ গী মরাইবক খঙবা ঙমলগনি।

**উত্তরাখন্দ ঃ** উত্তরাখন্দগী চমোলি জিলাদা লৈবা ৱার্ল্ড হেরিটৈজ ভেল্লি ওফ

ফ্লৱারস, লম কোইবা লাকপশিংগীদমক্তা ঙরাংদগী হাংদোকখ্রে। নন্দা দেবী নেসনেল পার্ককী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বি.বি. মারতোলিয়ানা হায়-মফম অসিদা চংবা মতমদা এন্ত্রি ফ্রি ওইনা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদনা লুপা চনি অদুগা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিংগীনা লুপা ৮০০ ওইগনি। মমিং লৈরবা মফম অসি লম কোইবশিংগী ওইনা চহি অসিগী ওক্তোবরগী ৩০ ফাওবদং হাংগনি।

**কাং (এল)ঃ** ২৪ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কুমওন নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙরাংদগী হৌখ্রে।

ৱাবগাই অৱাং লৈকাইগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা থোংজ্ কেন্দ্রনা লাংমৈদোং হিয়াংলম কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৫-১১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ঙসি দুরবতরা ৱাবগাই কেন্দ্রগা এল.এস.কে. ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগা শান্নগনি।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি. ২০২০ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ঙসিদগী য়ু.এস.এ. অমসুং কনাদানা য়ুম্বু ওইদুনা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী মেটচতা হৌজিক কনাদা অমসুং য়ু.এস.এ. তেক্সাসকী গ্রান্ট পেরি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। য়ু.এস.এনা টোজ ঙমদুনা কনাদাবু বেটিং তৌহল্লি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবা কনাদাদা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন-১৭ লৌরি। ঙসি অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱেষ্ট ইন্দিসকা পাপুৱা ন্যু গীনিগা শান্নগনি। ৱার্ল্ড কপকী ওপনিং সেরিমোনি অহানবা মেটচ লোইরবা মতুং অনিশুবা মেটচ হৌদ্রিঙৈদা গয়ানাগী জোস টাউন্দদা লৈবা গয়ানা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনা লৈবাক্তা-সাইক্লোন-রেমাল মনিপুরগী লল্লোনবশিং কোক্তা খুৎ হাপলে। য়োন্নবা দুকানদা থম্বা কোতি ২৮০ গী চে-হৱাই ঈচাওনা মাঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈরিবশিংবু ইন্দিয়ান ফোর্সনা ৱেসিয়াগী লান্মীশিংদা লান্দানবা শিজিন্নরে হায়বা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী ৱাফম অমসু ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-ইরংগী আর.সি.সি. ব্রিজ শঙ্গাদ্রবসু লোদেদ ত্রকশিং সরকারনা লালহনবা হৌখ্রে, সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং থাগৎনিংঙাইনি হায়বা ই.আর.দি.ওগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা ঈচাও মতুং হকশেলগী থৌরাংশিং পায়খৎলে। লেপতোসপেরোষ্টতগী চেকশিন্নিংঙাই ওই হায়বা হেলথ দাইরেক্তরগী ৱাফমসু ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-লোক সভা মীখলগী অরোইবা তরেৎশুবা ফেজতা চাদা ৫৮ হেন্না ভোট থাদনখ্রে। এগজিদ পোলগী রিপোর্টতা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ঈশিং ঈচাওদগী মীওই লিশিং ৬,৫০০ হেন্না কনবা ঙমখি হায়বা অসাম রাইফলসকী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-লোক সভা মীখল-কংগ্রেসসু বি.জে.পিসু কানি ঙাক্তনি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-তুরেলশিংগী ইমায় হন্থরক্লবসু রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই লিশিং অনিরোম চংজফম লৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিদা নোংমৈ চিংদোলদা আই.আই.টিগী ষ্টাফ মরি ফারগা পুখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মনিপুরগী তুরেলশিংদগী এলিয়ন ফিস কয়া ফংবা ঙমলে হায়বগী অখন্নবা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ চে অসিদা দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা খুপলাল খোংসাই স্পিপসিএল কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-ঈচাওগী ঈশিং হন্থখ্রবসু মফম খরদদি ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরি হায়বগী পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।